## পুলিসনা ফাবা...

*লামায় ১গী মখা...* থাদোকখ্রে হায়রি। অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগী ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ক্বা মনা পোলাং ৯ অদু পুলিসকী মায়কৈদগী প্রি-ত্রাইএল দিস্পোজেলগী প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। কোর্টনা পুলিস অমসুং এ পি পিগী ৱাফমশিং তরবা মতুংদা ক্বা মনা পোলাং ৯ অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগা তনরবা মতুংদা মফম চাবা য়েংলগা দিস্পোজ তৌখিবনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 88.366944 |
| US Dollar | 74.342819 |
| British Pound | 103.212935 |
| Australian Dollar | 55.774269 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.478466 |
| Japanese Yen | 0.672185 |
| Malaysian Ringgit | 17.870077 |
| Singapore Dollar | 55.196384 |
| South Korean Won | 0.065399 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.824752 |
| Thai Baht | 2.342506 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs | 47320.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47165.00 |
| Delhi | – | Rs | 47165.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47960.00 |


## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking:12-06-2021**
Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't receive whatsApp no.9863624773.
also available 19kg and 5kg.
Please don't used the other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation. In view of covid19 and curfew booking can be made through
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxxxxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For online payment use<Indane Oil One app> It's applicable for all distributors of IOCL

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**Booking up to 03/04/21**
Valid from 30/03/21.
#Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries 9362661205
#For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814

**JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
**Booking upto 01/05/21**
Valid from 10/03/21
Time 8:00 to 10:00 a.m
Call only
A) 6033989480 Naoria Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481 Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482 Thongju , Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery
Hiyangthang indane.
Booking 08-05-21.
Valid.04-05-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686.

**HIYANGTHANG INDANE.**
**Booking 08-05-21.**
Valid.04-05-21.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 28-05-21
**B/upto - 31-05-21**
**Stock 306**
7am to 10am

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 20/03/21**
Valid from 18/03/21
Sl.No. 101
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING upto 13-05-2021**
VALID FROM 10-05-2021
**STK 306**
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE 23-06-2021
CONTACT NO 7005695308, 6009772483

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**Bking upto 2/5/21**
Valid from 28/4/21.
**Stk 306,**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

**TDK GAS**
**BK. UPTO 20/04/21.**
VF.16/04/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 am to 3:00 pm

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 29/04/2021
**BOOKING UPTO:03/05/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)


# অমুকো অমদি একতা পরিষদনা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা মখল কয়াগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লমদমসিগী থবক শুরগা চাজবা মরু ওইনা মশাগী লম-ইংখোল লৈজদবা মীওই কয়াদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গা একতা পরিষদ, মণিপুরগা খূৎশম্নরগা পরিং নাইনা চথরকপা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী থবক মখা চথরি হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, ঙসিসু অমুকো অমদি একতা পরিষদ, মণিপুরগা খূৎশম্নরগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা খুল অহুম- থিয়াম, ৱাংখেম হুইকপ অমদি অন্দ্রোদা লৈরিবা হান্নদগী লৈত-লায়রগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লিঙৈদা অমুক্কা হেন্না কোভিদ-১৯না ওইহল্লক্লিবা ফিভমশিং অসিনা মরম ওইদুনা কা-হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবা মরু ওইনা মশাগী লৌ-ইংখোল লৈজদবা ইমুং ৪০৫ খনগৎতুনা হায়রিবা ইমুংশিং অদুদা আলু, থুম, পাফোর অমদি কবোক্কী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবগী খোঙচৎ অদুদা অমুকোগী লুচিংবশিং অমদি একতা পরিষদকী ষ্টেট কোওর্দিনেটর এ রিসিকান্তা শর্ম্মা, ষ্টীয়ারিং কম্মিটিগী চীফ এন বিদ্যারাণি দেবী, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ এস তানিয়া অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী কো-ওর্দিনেটর অসেম ইচল লৈমা চনুসু শরুক য়াখি।

অমুকো অমদি একতা পরিষদ, মণিপুরনা মখা তানা চীঞ্জাক্কী তেংবাং পোৎলমশিং অসি মশাগী লৌ-ইংখোল লৈজদবা ইমুংশিং অমদি অতোপ্পা ফিভম কয়ানা মরম ওইদুনা কা-হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীরগা পীখিগনি।

হৌজিক ফাওবদা অমুকোনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা খূৎশম্নরগা হান্নদগী ৱাদুনা লৈরিঙৈ মথক্তা অমুক্কসু কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হেন্না অৱাবা ওইহল্লিবশিংগী মরক্তগী খরা হেন্না ৱাবা কাঙবুশিংগী খোঙ্গুল লীরগা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংখিবসি য়ূম ৩,৫০০ হেনখ্রে। অমুকোনা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা পুল্লগা হৌজিক অৱাবা মায়োক্নরিবশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা য়ূম ১০,০০০দগী তাদনা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিংগী মতেং পাংনবা পান্দম থম্লি। মরম অদুনা অমুকোনা মসিগা খূৎশম্নরগা চৎলিবা লুপশিংগা পুল্লগা মখা তানা মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরিবা কা-হেন্না অৱাবা মায়োক্নরিবা য়ূমশিংদা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথখিগনি। মসিদা মীয়াম্না কো-ওপরেসন অমদি মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

ঙসি অমুকো অমদি একতা পরিষদ, মণিপুরনা মতেং পাংখিবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ৪গী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হায়বদি থিয়ামদা য়ূম ২০, ৱাংখেমদা য়ূম ৭১, হুইকপতা য়ূম ৭২ অদুগা অন্দ্রোগী ওইনা অন্দ্রো নুংয়ুংবীদা য়ূম ৬৫, অন্দ্রো মচেংপাৎতা য়ূম ৩৬, অন্দ্রো সনাপাৎতা য়ূম ৫৫, অন্দ্রো লমথাবুংদা য়ূম ৫৮ অমদি অন্দ্রো লাবৌজমদা য়ূম ২৮ পূন্না য়ূম ৪০৫নি হায়রি।

# রুলগী ৱাংমদা দিরেক্টর হাপ্পবা শরৌ শিনবা য়াওরব্রা

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী মরু ওইবা লোইশঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিরেক্টোরেটকী হৌজিক দিরেক্টরগী থবক পুরক্লিবা লোইশঙ অসিগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি ঐচ গ্যানপ্রকাসতগী লোইশঙ অসিগী দিরেক্টরগী ফম লৌথোক্তুনা মণিপুর ভেটিরিনরি সর্ভিস রুলগী ৱাংমদা দিরেক্টর হাপ্পনবা শরৌ শিনবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্নরক্লে।

লোইশঙ অসিগী ওইনা লৈরিবা সর্ভিস রুলগী মতুংইন্নদি দিরেক্টরগী ফম অসিবু পুহনগদবা ওফিসর অদুদি মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস পেন্দিং লৈতবগা লোয়নবা ভিজিলেন্সতগীসু ক্লিয়ারেন্স সর্টিফিকেট পায়গদবনি হায়বসিনি। অদুবু হৌজিক লোইশঙ অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসনদা মথংশিংনা কেস নম্বর ৫/এস পি-ভি/২০১৪ অমদি ৪/পি ঈ/এস পি-ভি এন্দ এ সী/২০১৮ পেন্দিংদা লৈরি হায়রি।

ভিজিলেন্স কেসশিং অসি লোয়শঙ অসিনা ফেব্রুৱারী ১৮, ২০১৪, ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৫, দিসেম্বর ১, ২০১৫ অমসুং দিসেম্বর ৮, ২০১৭তা থোকখিবা প্রমোসন ওর্দরশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংনি হায়রি। অদুবু হায়রিবা কেসশিং অসিদা চেন্নরিবা ওফিসরশিংগী মরক্তগী অমবু দিরেক্টর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা ঈ ফাইলিংগী খূত্থাংদা প্রপোজেল তৌনরকপা লৈরে হায়রি।

লোয়ননা দিরেক্টর ওইনা প্রমোসন পীবদা তঙাইফদনা চঙলিবা মচাকশিং অদু য়াওদবদগী চেরোলশিং অদু লোইশঙ অসিদা অমুক হল্লক্লে হায়বগী ৱাফমসু থোরক্লে হায়রি। মরম অদুনা হাঙদুনা লৈরিবা দিরেক্টরগী পোষ্ট অসি মতিক চাবা মীওইদা মেনশিনহনবগী অপাম্বা ফোঙদোক্নরক্লি।

অমরোমদা, লোয়শঙ অসিগী দেপ্যুটি দিরেক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ডা. এস ইন্দ্রগী মায়কৈদগীসু ঙসি চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং কম্মিস্নর (দি পি) দা মসিগা মরী লৈননা চেরোল অমা পীশিল্লকখ্রে হায়রি।

## জেসামিদগী অকাস ব্রিদজ ফাওবগী...

*লামায় ১গী মখা...* ভিলেজ কাউন্সিলগী চ্যেরমেন এনিজোটেনা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক কোয়লাস থাবগী থবক চথরক্লিবা লম্বীগী শরুক অসি জেসামি খুলদগীনা অকাস ব্রিদজ ফাওবগী মরক্তা লৈবা কিলোমিটর ১৪ রোম শাংবা লম্বীগী শরুকনি। অদুগা জেসামিদগী উখ্রুল লোমদা চৎপা লম্বীগী শরুক্তগী কিলোমিটর ৪ রোম হাপচিল্লগা কোয়লাস থাগদৌরিবা লম্বীগী অপূনবা অশাংবগী শরুক অসি কিলোমিটর ১৮ রোমদনি। লম্বী অসিবু কোয়লাস থাবগী থৌদাং অসি এন ঐচ আই দি সী এলগী মীৎয়েং মখাদা মরী লৈনবা টেন্দেরনচিংবা তৌদুনা খূৎশিন্নরগা লম্বী অসি শেমগৎপা হৌরকখিবনি। অদুবু কোয়লাস থাবগী থবক অসিদা ক্বালিটি কন্ত্রোল মেন্টেন তৌদবদগী কোয়লাস থাবা নুমিৎ মঙানিরোমদমক ঙাইরিঙৈদা খুঞ্জাশিংনা য়েংশিল্লুবদা খূৎনা লোইনমক মচেৎ মচেৎ ফক্কৎপা য়ারে হায়রি।

ভিলেজ কাউন্সিলগী চ্যেরমেননা মখা তানা হায়, ক্বালিটি কন্ত্রোল তৌদনা কোয়লাস থাজিল্লক্লিবা অসিগী মায়োক্তা কোয়লাস থারিবা কাঙবুদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদ্রবদি কোয়লাস থাবগী থবক লেপ্পনবা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগীদি খুঞ্জাশিং অমসুং কাউন্সিলগী ৱাফম অদু তাদনা মখা তানা অদুমক চথরি হায়রি।

হৌজিক কোয়লাস থারিবা লম্বী অসি শাংলবা চহী ২০/৩০গী মতুংদা খক্তা শেমগৎলকপনি। থবক শূরিবশিংনা মখোয়গীসু শেন্দোং ফংনবা হোৎনরবসু লম্বী অসিগীদমক্তা কায়থোক্লিবা অপূনবা শেনফমদগী চাদা ৬০দগীনা ৭০ ফাওবগী চাং ফাওবদি য়ৌনা ফজনা শেম্বীরম্মু হায়বনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী ঙরাংমক কাউন্সিলগী মায়কৈদগী এন ঐচ আই দি সী এলগী লম্ফেলগী ওফিসরস ক্লবতা লৈরিবা ওফিসকী জেনরেল মেনেজরদা কোয়লাস থাবা লেপ্পনবা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে। কোয়লাস থারিবা অসিগী কন্ত্রেক্টরগী মমিং হংবদসু হায়রক্তে। অদুবু খুঞ্জাশিং অমসুং কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থিগৎলুবদদি থবক অসিদা এম এল এ খাসিম ভাসুমগী মীওই অমসু য়াওই হায়রকপদগী কম্পেনি অসিগী দিনেস কৌবা ইন-চার্জনি হায়বা মীওই অমদসু ক্বালিটি মেন্টেন তৌদ্রবদি মখা তানা কোয়লাস থাবগী থবক চথদনবা খঙহনবা লৈখ্রে হায়রি।

লম্বী অসি কম্পেনি অসিনা পায়দ্রিঙৈ মমাঙ গ্রিফগী মখাদা লৈরিঙৈদদি নিংথিজনা শেমজিন শাজিনবগী থবক চথরমখিবনি। হায়রিবা লম্বী অসিখক্তা নত্তনা জেসামিদগী খরাসোং তারকপগী কিলোমিটর ১২ রোম শাংবা লম্বীগী শরুক অমসু হৌজিক শেল্লিবনি। মসিদদি কন্ত্রেক্টরগী মায়কৈদগী নিংথিজনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদুনা শুবদগী অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদনা কোয়লাস থারকপগী থবক অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিলহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ...

*লামায় ১গী মখা...*এরেষ্ট ইস্যু তৌগনি হায়না ফাওবা কম্মিসনগী চ্যেরমেননা খঙহল্লকখি হায়রি।

কম্মিসনগী মায়কৈদগী চথরক্লিবা প্রোসিদিং অসিগী মায়োক্তা রঞ্জিতানা ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪৪৫ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখি। লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অমগী মায়কৈদগী কম্মিসন্দা থারকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না কম্মিসন অসিনা চেরোল অদুবু খন্নবগী জুরিসদিক্সন লৈতে হায়বগী মথক্তা চেরোল অদু চন্দ্রসেখরনা মহাক্কা মহৌশাগুম্না লৈমিন্নজগে হায়দুনা থারকখিবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা কম্মিসনগী মায়কৈদগী চথরক্লিবা থবক থৌওংশিং অসি কম্মিসনগী জুরিসদিক্সন মনুংদা য়াওদবা ইল্লিগেল ওইবা থৌওংনি হায়দুনা ফোঙদোরকখি।

পিটিস্নর রঞ্জিতাগী পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর (সোসল ৱেলফ্যের), মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, ওর্গনাইজেসন অমগী প্রসিদেন্টনি হায়রিবা মুতুম প্রভা (৪৮) মপুরোইবা এম রুপচন্দ্র পাৎশোই পার্ট ৱান অমসুং মহাক্কা লৈমিন্নরকখিবা থোকচোম চন্দ্রসেখরনি।

পিটিসন অসি ঙসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল মৈহৌবম রাকেসনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা কম্মিস্নর, সোসল ৱেলফ্যেরগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা চয়োল মরিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিশশিং ইস্যু তৌখি। হায়রিবা নোটিশশিং অসি চয়োল অমগী মনুংদা স্পীদ পোষ্টকী খূত্থাংদা য়ৌহন্নবসু খঙহনখি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা লৌখৎলিবা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ৪২ ওফ ২০২১গী প্রোসিদিং পূম্নমক কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবা চৎনহন্দনা থল্লে হায়বগী দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী মথংগী ৱায়েল পাঙথোক্নবগীদমক মথং থাগী ২০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

## ভেক্সিনগী মতাংদা লান্না শন্দোক্লুবা...

*লামায় ১গী মখা...* হায়জরকখি। অদুম ওইনমক কোর্টনা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অমসুং এ পি পি এম যমুনানা তৌরকখিবা সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা জেলদা থাজিনখিবনি। মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদদি মহাক অহানবা মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেননি হায়বগা লোয়ননা রুশু মশান্নগী ইন্টরনেসনল প্লেয়র অমসু ওইরি। মহাক্কী ইমুংগী শেল থোকপা মীওই মহাক খক্তং ওইবদা নত্তনা মহাক্কী অহল-লমনশিং য়েংশিনবীনবা মহাক নত্তনা লৈতবদগী মহাকপু বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রবা রাইফলমেন অদু অহানবা মণিপুর রাইফলসকী 'ঈ' কম্পেনিগী রাইফলমেন নম্বর ১৩২০০১১১৫নি হায়রি।

# ৱাবগাই থিঙেল লৈকায়দা থাবা কোবিশিং পাক্তক্নলা ...

*লামায় ১গী মখা...*অসি মপূং মরৈ ফারক্লবা মতমদা হেক্তুনা য়োনবা য়ারকপদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ লাকশিনখিবা অমসুং মসিবু মায়োক্নবগীদমক কন্টেনমেন্ট জোন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা থমজিল্লকখিবনা য়োনফম লৈখিদে। তাঞ্জাদুনা নুংশা অমুক কন্না শারগা নোং অমুক চুশিনবনসু কোবি পূম্নমক পৎ-পুমদুনা মাঙখি হায়রি।

অদুম ওইনমক মফম অসিগী লৌবুকশিংদা থানবা মাইরেল, থবী, খামেননচিংবদি খরা খক্তমক হেক্লগা য়োনবা ঙমহৌখি অদুবু অয়াম্বনদি এঞ্জাং-নাপিশিং অসি লৈবীনবা মী লৈতবদগী অয়াম্বা শরুক্তি পৎ-পুমদুনা মাঙখি হায়রি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা পেন্দমিক্কী ফীভম অসিনা খজিক্তং শাফরক্লগদি মাঙখিবা শেনফমশিং হঞ্জিলহৌবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাখলদা হৌজিক খামেন অশিনবা অমসুং মোরোকনচিংবা অমুক থাবা হৌরে হায়রি।

থবক অসি মহৌশাদি মতোমতনা অয়াম্বা তৌরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি স্কুল, কোলেজ পূম্নমকসু থিংজিনখিবদগী মচানুপী অমা অমসুং মচানুপা অনী লাইরিক তম্বা চত্তবদগী মহাক্কী মতেং পাংশিন্দুনা থবক্তদি খূমাঙ চাওশিল্লে হায়রি।

ফীভম অসিনা মনা-মশিংগী ওইবরোমদা চৎখ্রগসু লৈকায় অসিগা শম্নরিবা ৱাবগাই য়াংবি লৈরক অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেমজিনবীরক্তবা চহী ১৫ রোম শুরে। অদুবু হন্দক্তা নূং খরা থা ২/৩ রোমগী মমাঙদা চাইথোক্লমখি। অদুদগীদি মখা তারকখিদ্রে হায়রি।

ৱাবগাই তেরা উরক অমদি থিঙেল লৈকায় তাবা লম্বীগী ফীভমসু য়াম্না ফৎত্রে। ৱাবগাই মনুংগী অকোয়বগী লম্বী থোং অসি মতম শাংনা শেমজিনবীরক্তবনা লোইনমক ফীভম শোক্লে। ৱাবগাই কৈথেলদগী ককচীং কৈথেল ফাওবগী লম্বীসু পোট হোলনা পীক থল্লে। নৌনা রিপ্যারিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি।

ময়ায় লম্বী হায়না খঙনরিবা ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বীগী ফীভম খরদি ফগৎলক্লে। অদুবু লম্বী অসি দবল লেন্দ ফাওবা ওইদ্রিবনা য়াম্না পিকমনবদগী হৌজিক হেনগৎলক্লিবা মায়কৈ অসোমগী মীশিংগা য়েংনরুবদা চানদ্রে হায়রি।

সেকমাই তুরেল তোর্ব্বান (লৌনম্বাল) গী অয়াম্বা শরুক মমাঙ চহীদা লৈরাই কিন্তুবা অমদি নমথখিবা য়াওখিবশিং অদু হৌজিক ফাওবা শেম্বীদনা লৈরি। হৌজিক নোংজু থা হৌগৎলকপা অসিগী মাঙওইননা শেমজিনহৌদ্রবদি মফম অসিগী মীয়াম অমুক্কসু ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নগদৌরি। সেকমাই তুরেল মথক্তা শারিবা উপাক্কী থোং অহুম, ৱাবগাই থিঙেল, ৱাবগাই কদাজিৎ অমদি ৱাবগাই তুরেলগী মচিন্দা শারিবা থোংশিং অসিসু মতম কুইনা য়েংশিনবীরক্তবদগী অথুবা মতমদা রিপ্যারিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি হায়রিবা থোংশিং অসি মফম অসিগী খুঞ্জাশিংগীদি য়াম্না মরু ওইবা চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা থোং ঙাক্তনি হায়রি।

অমরোমদা, সেকমাই তুরেলদা শারিবা কৈরক্কী দাম অসি চহী ১৫ রোম শুরক্লবা দামনি। কৈরক দামদগী ৱাবগাই থোং অহনবী, তুরেল অহনবী ফাওবগী মনুংদা মিনি হায়দ্রেন দাম খরা শারগা লৌমীশিংদা ঈথৈ লৌখোংগী কান্নবা ফংহনবগী মথৌ তারি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ১৫ রোমগী মমাঙদা ৱাবগাই থিঙেল লৈকায় অসিমক্তদা মফম অসিগী মীয়ামগীদমক শাখিবা ৱাটর সপ্লাইগী থবকশিং ঙসি ফাওবা লোইশিনবীদবদগী টোটি ঈশিং থকপা ফংদ্রি। মীয়াম্না ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরি। মৈগী ফীভমসু প্রিপেদ লাকপদগী হান্নদগী খরদি ফগৎলে। অদুম ওইনমক মফম অসিগী মীয়ামগী অপেনবা হায়বদুদি ওইদ্রি হায়রি।

লোয়ননা অনা-লায়েংগী লম্দনা হিয়াংলমদা লৈরিবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর তান্না চৎলগা য়েংনরি। খরা হেন্না লুবা অনাবশিংগীনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা হোস্পিটাল অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালদা চৎলি। তঙাইফরক্ত্রগনা ইম্ফাল তম্না চৎনরি হায়রি।

অমরোমদা, ৱাবগাই য়াংবীদা লৈরিবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী দিসপেন্সনরি অসিদা লৈফম থোকপা ডাক্তর অমদি ষ্টাফশিং লৈতবনা য়ূমদা য়োকপা শা-ষণশিং অনা অয়েক য়াওরকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। দিসপেন্সনরি অসিগী বিল্ডিংসু শেমজিন শাজিনবীরক্তবা চহী ২০ লোম শুরবনি হায়রি।

খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি খরুংপাৎকী শরুক অসি ফুমদিশিং শেংদোকপীদবদগী হৌজিক্তি ফুমদিশিংনা পীক থল্লে। লোয়ননা পাৎ অসিদা রিং বন্দ শাজিন্দুনা ফার্ম তৌশিল্লকপা, নৌনা য়ূম কৈ শাজিল্লকপদগী খরুং পাৎকী মহৌশাগী ফজবা শক্তম অদুসু মাঙহল্লক্লে। তশেংনমক পাৎ অসিদা হৌজিক ঈশিং তুংফম লৈত্রে। মরম অসিনা পাৎ অসিগী ফুমদিশিং শেংদোক্তুনা নোংজু থাগী মতমদা ফংগদৌরিবা ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ। তশেংনমক খরুং পাৎকী ফীভম মাঙহল্লক্লিবা অসি শেঞ্জাও পায়বশিংনা লাক্লগা লম লৈশিল্লবা অমসুং লৈবাক ৱাংনা থোনজিন্দুনা ফার্মনচিংবা তৌশিন্নরকপদগীনি হায়রি।

মসিনা মরম ওইদুনা পাৎ মনাক্তা হান্নদগী লৈজরকপা য়ূমশিংদি ঈশিং থুমজিনবদগী শীজিন্নবা য়াদ্রে। মরমশিং অসিনা ৱাবগাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা মফম অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা লম্বী থোং, ৱাটর সপ্লাই, ভেটিরিনরি দিসপেন্সনরি অমদি সেকমাই তুরেলগী লৈরায়নচিংবগী ফীভমশিং অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবীদুনা শেমজিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোক্নরক্লি।

# রিমান্দ অমসুং বেলগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দি এল এস এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট অরিবম গুনেশ্বরনা কি নোট এদ্রেস পীরদুনা 'চেলেঞ্জস ফেস বাই ভেরিয়স ষ্টেকহোর্ল্ডরস ইন দি এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ ক্রিমিনেল জষ্টিস এমিদষ্ট কোভিদ-১৯ পেন্দমিক ৱিথ স্পেসল ফোকস ওন এরেষ্ট, রিমান্দ এন্দ বেলগী মতাংদা ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মসিদা সেসন্স জজনা মরম চাদনা চহী ৭ ফাওবগী নৎত্রগা মসি য়ৌদনা ফাদোক পীগদবা ওফেন্সশিংগী মতাংদা পুলিসনা মী ফাদনবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা দি এল এস এ ইম্ফাল ৱেষ্টনা কোনগা খূৎশম্নদুনা 'ক্রিমিনেলাইজেসন ওফ দ্রগ য়ুজরস: এ থ্রেট টু হেল্থ এন্দ সোসল দিভেলপমেন্ট' গী মতাংদসু ৱেভিনর অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসি মসলসাগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

## সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা পুলিসনা...

*লামায় ১গী মখা...*ও সীনা নৎত্রগা অতোপ্পা পুলিস ওফিসরশিংনা ফারবদি বেলদা থাদোক্নবা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়জরকখিবনি হায়রি।

মেট্টরশিং অসিগী চথখিবা হিয়ারিংগী মতুংইন্না কোর্টনা সী আর পি সীগী সেক্সন-৪৫গী প্রোভিজনশিংনা পীরিবশিং অদুদসু মীৎয়েং থল্লদুনা হায়রিবা সেক্সন অসিগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিংনা মখোয়গী দ্যুটিশিং পাঙথোকপদা তৌখিবা থবকশিং অমসুং মথৌ পাঙথোকপদা তৌরক্কনি খনবা থবকশিংগীদমক সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদ্রবদি ফাবা য়ারোই হায়দুনা ফোঙদোকই হায়খি।

মরম অসিনা সী আর পি সীগী সেক্সন - ৪৫ অসিগী প্রোভিজনশিংনা পীরিবা অসিগী মতুংইন্না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদ্রগদি পুলিসনা হায়রিবা কেস অসিগা মরী লৈননা পিটিস্নরশিং অসিবু ফাবা ঙমদে হায়খি।

লোয়ননা এন্টিসিপেটরি বেল প্রেয়রগী পিটিসন অনীসিদা য়াওরিবা রেসপোন্দেন্টকী মায়কৈদগী পিটিস্নর অনীবু কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎলিবা কেস অদুগা মরী লৈননা ফানবগীদমক সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতগী অয়াবা লৌবনচিংবগী ৱাফম অমত্তা কোর্টতা খঙহল্লক্তবনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদগীসু মখোয়বু ফারগনি হায়বগী এপ্রিহেন্সন অদুসু অরানবনি হায়খি।

মরমশিং অসিনা কোর্টকী মায়কৈদগী বেল এপ্লিকেসনশিং অসিগা মরী লৈননা ওর্দরশিং পীবগী মথৌ তাদে হায়রদুনা অসাম রাইফলসকী মেজর অলোক শাথে অমসুং পর্সনেল এস এন অমর লমকাংগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা বেল এপ্লিকেসনশিং অদু ক্লোজ তৌরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিদগী এন্টিসিপেটরি বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা এ আরগী পর্সনেল অনীগী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা মেজর অলোক নাথনা জুলাই ২৬, ২০২০দগী গেলমেন পোষ্ট অদুগী কম্পেনি কম্মান্দর ওইনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট, ১৯৫৮গী মখাদা দিষ্টর্ব এরিয়া চৎনহনবা মফম অদুদা লৈরকখিবনি। জুন ৪, ২০২১দা কে আর এগী ফাইনান্স সেক্রেটরি মফম অদুদা লৈদুনা ওভর গ্রাউন্দগী থবকশিং তৌরে হায়বগী পাউ ফংখিবনি। মদুদগী মেজর অসিগী কম্মান্দ মখাদা পর্সনেল ৩গী টিম অমনা ফাইনান্স সেক্রেটরি অদুবু ফানবগী থৌরাং তৌখিবনি। মদুগী মতুংইন্না অসাম রাইফলস পর্সনেলশিং অদুনা মফম অদুদা চেঙ সপ্লাই তৌবা এফ সী এস দিল্লরশিংগী শক্লোন লৌদুনা মখোয়গী ত্রকশিংবু আই টি রোদতা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবগী সিক্যুরিটি দিপোজিৎতা অয়াবা পীবিনবা হৌজিক্লা লৈখিদ্রবা 'মিষ্টর লেলেন' দা হায়খিবনি।

অসাম রাইফলসকী টিম অদুগী মনুংদগী রাইফলমেন এস এন অমরনা অয়ূক পুং ১০.৩০দগী লেলেনগা পাউ ফাওনবগী মথক্তা মহাক উনবা লাকপদা য়ু লিক্লি অনী পুরক্ত বসু খঙহল্লকখি। নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবদগী থৌদোক থোকখিবা নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৭.৩০দা চলৱাননা ইমুং অমদা উনবা লেপ্পবদগী রাইফলমেন এস এন অমর অমসুং রাইফলমেন বিনোয়না লেলেনবু উনবা চৎখিবনি। অদুগা রাইফলমেন কবাসানিনা মফম অদুদগী খজিক্তং চৎথোক্লগা সিভিলগী গাড়ী অমদা লৌখিবনি।

তশেংনমক নুমিৎ অদুগী ওপরেসন অদু ফাইনান্স সেক্রেটরি অদুবু ফানবা হোৎনখিবনি হায়রদুনা মদুদগী থোরকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা এ আরগী টিম অদুদগী মীওই অমনা তঙাইফদনা সর্ভিস ৱেপন-এ কে ৪৭তগী মশা ঙাকথোকচনবগীদমক নোংমৈ মরূ ৪ কাপ্পুবা য়ারক্তবদগী তঙাইফদনা কাপখিবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোরকখি।

## মণিপুরগীদি নুপী ৫,৩০০দগী হেন্না ৱিদো পেন্সন...

*লামায় ১গী মখা...* হিংনবগীদমক মতম-মতমগী ওইবা থবক শুদুনা লৈরি। য়াল্লবসু য়ামদ্রবু থাগী ওইনা শুপ্পগী লুপা ৩০০ খক্তং ওইরবসু লৈঙাক্না ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী মখাদা ফংহনবিরবদি অচৌবা মতেং ওইগনি। অদুবু লৈবাক অসিদা চৎথরিবা থৌওংশিং অসি য়েংলুরগদি মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিংগী তেংথাখোল তাবিনিংঙাই কনা অমত্তা লৈতে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না খল্লি হায়নসু ফোঙদোক্নরকখি।

অতোপ্পা নুপী খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা পীগনি হায়দুনা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদগী শেল খায়দুনা চৎখ্রবা মতুংদা অদুমক তুমিন্না লৈশিনখিবগী থৌদোক কয়া অমা লৈখ্রে। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈত-লায়রবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংগী অৱাবা উবিদুনা ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংনা ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা মপুংফানা পীবা ঙমদ্রিবা অসি করি মরম লৈবননো হায়না সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উট্টমগা ৱারী শান্নরুবদা মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক-হৌজিক ৱিদো নুপী ৫,৩০০ ইন্দিরা গান্ধী ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা ফংলি। অদুবু মপুরোইবা কায়নখ্রবী ৱিদো নুপী পূম্নমক পেন্সন পীবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অৱাবা ওইরি। মরমদি ষ্টেট অসিগী ফংলিবা কোটাগী মশিংনা পীকপা অদুগা ফংবা য়াবা মীগী মশিংনা হেনবননি। ইকোনোমি য়াম্না ফবা ষ্টেট অমসু ওইবা নত্তবনিনা খুদোংচাবশিং অসি পীনিংলবসু পীবা ঙমদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা লমদম অসিদা ইন্দিরা গান্ধী ওল্ড এজ পেন্সন ফংবা য়াবা মীগী মশিং অসি লাখ ২ মুক্কি অদুবু হৌজিক-হৌজিক শুপ্পগী মীওই ৫৬,০০০ লোম খক স্কিমগী খুদোংচাবা পীবা ঙল্লি। অদুমকপু ষ্টেট লৈঙাক্না অমদি দিপার্টমেন্ট অসিনা সেন্টরদা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবা অমদি বেনিফিসরিশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরি। লোয়ননা অতোপ্পা মীওইশিংনা হায়রিবা স্কিমশিংগী খুদোংচবা ফংহনগনি হায়জিন্দুনা শেল লৌথোকখিবা থৌওং অসি থোক্তনবা মীয়ামগীদমক হাংদুনা লৈরিবা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টদা লাক্তুনা তান্নবিয়ু। দিপার্টমেন্টনা করি তৌবা য়াবগে হায়বসু হোৎনগনি। অতোপ্পা মীওইশিংনা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা ফংহনগনি হায়না শেল লৌখিবা মীওইশিংদা থাজবা থম্বা তৌবিগনু অমদি শেল পীফমসু থোক্তে। মরমদি হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী বেনিফিসরি অমা ওইনবা হোৎনবদা শেল অমত্তা চঙফম থোক্তে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## পোজিটিভ কেস ৫৭৫ থেংনখি, মীওই ১০ ...

*লামায় ১গী মখা...* পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৮০৬নি। লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা হৌজিক ফাওবদা ৫৪,৭১৪ শুরে। মসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৭৬১নি। অদুগা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনা ৫০,৯৫৩নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং ৫৭১ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা এক্টিভ কেস মশীং ৯,২১৪ শুরে। মসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা শুপ্পতগী ৪০ খক্তনি। অদুগা লেমহৌরিবশিংনা জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী ঙাক্তনি হায়বগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং চাদা ৮৪.১৮শুরে হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনা দি টাইপকী ১৭৪০ অমসুং বি টাইপকী ৩৩৭নি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং অমসুং হেল্থ ইন্সটিট্যুসনশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনা দি টাইপ ৪৫৬ অমসুং বি টাইপ ১০৪নি। মসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা দি টাইফ ১১৩, বি টাইপ ৭, চান্দেলদা দি টাইপ ২৮, বি টাইপ ৯, চুড়াচান্দপুরদা দি টাইপ ১৭, সেনাপতিদা দি টাইপ ৪৮, থৌবালদা দি টাইপ ৬৫, বি টাইপ ৩৩, উখ্রুলদা দি টাইপ ৩৪, বি টাইপ ১৫, তমেংলোংদা দি টাইপ ৮, বি টাইপ ১, জিরিবামদা দি টাইপ ৩৩, বি টাইপ ১২, মোরেদা দি টাইপ ১৯, বি টাইপ ৮, কামজোংদা দি টাইপ ৩, বি টাইপ ১, কাংপোকপীদা দি টাইপ ৪, ককচীংদা দি টাইপ ৬, বি টাইপ ১৬, নোনেদা দি টাইপ ২, ফেরজোলদা দি টাইপ ৬ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদনা দি টাইপ ৩৪১ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন রিফিল সিলিন্দর ৯৯গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫,০০,৪০৮ শুরে হায়রি।


COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**

**CRASH COURSE 2021**

**For NEET (Medical) Aspirants**

*Admission form & Prospectus is available Online*

- Last Date of Admission : 29th June., 2021
- Class commencement from : 1st July., 2021

**For Admission & details please Visit Our Website :www.cometcoaching.in**

**Special Features**

- Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
- Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
- Study Materials will be provided.

**SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS**

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
- Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

**FIRST COME FIRST SERVE**

HL-B/6999/18,19,21,23&25